# হি তোংদুনা লৈরিবা রোহিংজা রিফ্যুজিশিং ইন্দোনেসিয়াদা চঙজফম লৌবদা অয়াবা পীখ্রে



জকারটা, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) :
সমুদ্রগী ঈমায়দা হি তোংদুনা নুমিৎ ২০ হেন্না লৈরক্লবা রোহিংজা রিফ্যুজিশিং ইন্দোনেসিয়াদা চঙজফম পীবদা মরী লৈনবশিংনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা মখোয়শিং অদু চঙজফম পীখিবনি হায়না লৈবাক অসিগী চীফ সিক্যুরিটি মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, রোহিংজা রিফ্যুজি ১২০ রোম তোংদুনা লৈরিবা হি অসি চঙজফম পীনবা ইন্টরনেসনেল কম্ম্যুনিটিশিংনা ফোঙদোক্তুনা লাকখ্রবসু সাউথ ইষ্ট এসিয়ান কন্ট্রিশিংনা চঙজফম পীদনা লাকখিবনি। অদুবু হি অদুদা তোংলিবা রিফ্যুজিশিংগী মরক্তা হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপা য়াওবনা মরম ওইরগা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা ওথোরিটিশিংনা চঙজফম পীবদা অয়াবা পীখিবনি।

ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবদা, হি অসিদা তোংলক্লিবা রিফ্যুজি অয়াম্বা নুপী অমদি অঙাং ঙাক্তনি। মখোয়বু সমুদ্রগী ঈমায়দা অদুমক লৈহনবা হায়বসি অশিবগী খয়াত্তা লংশিন্দুনা থন্বগা মান্নে। অথুবদা কোষ্ট গার্দশিং থাদুনা মখোয়বু তেক্ত কায়দনা কংফালগী শরুক্তা পুরক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ঙা ফাদুনা হিংলিবা ঙামীশিংনা ইন্দোনেসিয়া গভর্নমেন্টকী ফিরেপ অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা মখোয়বু কংফালগী শরুক্তা লৌশিনবা থেংথরবদি হি অদু লুপখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরবনি। হি অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা অহোবা মখুলশিং লৈবা ঙামীশিংনা থেংনখিবগা লোয়ননা তোংলিবা মীওইশিং অদুনসু খঙলিবনি। ঈশিংগী ঈমায়দা লৈরবদি পুঙ ২৪ গী মনুংদা হি অদু লুপখিবা য়ানা লৈরবনি হায়রি।

ম্যান্মারদা লৈরিবা রোহিংজা মুস্লিমশিং লৈবাক অদুদা লৈবা কিবদগী য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনরি। ইন্টরনেসনেল কম্ম্যুনিটিশিংনদি রোহিংজা মুস্লিমশিং ম্যান্মারদা অমুক হন্না লৈহন্নবা তকশিনবা লৈখ্রবনি।

# ইন্দিয়াগী রাফেল মায়োক য়াবা ঙমহন্নবগীদমক পাকিস্তানদা চাইনানা ফাইটর জেট ২৫ থারকখ্রে

ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) :
চাইনা অমসুং পাকিস্তানগা লৈনরিবা মরী অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহন্নবা অমদি ইন্দিয়াগী রাফেল ফাইটর জেটকা মায়োক য়াবা ঙমহন্নবগীদমক চাইনানা পাকিস্তানদা মপাঙ্গল কয়া কনবা ফাইটর জেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জে-১০সী ফাইটর জেট ২৫ থারকখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর শেখ রাসিদ অহমদনা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হায়রিবা ফাইটর জেটশিং অসি মথং চহীগী মার্চ ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পাকিস্তান দেগী থৌরমদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না উবা ফংলগনি। ইন্দিয়ানা ফ্রান্সতগী রাফেল ফাইটর জেট লৈনবা দিল তৌনখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা চাইনানা অনৌবা ফাইটর জেট অসি লৈবাক অসিদা পীরকখিবনি।




পাকিস্তানদা নৌনা থুংলখ্রবা ফাইটর জেট মখল অসি ৱেদর খাইদবা মখলগী জেটনি। লৈবাক অসিদা নৌনা থুংলরিবা জে-১০সীনা পাকিস্তানগী সিক্যুরিটিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি। অতোপ্পা লৈবাকশিংনা চথুরকপা কা হেনবা থবক থৌওংশিং মায়োক য়াবদসু য়াম্না খুদোং চাহল্লগনি। মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা চাইনা অমসুং পাকিস্তানগী জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলদা হায়রিবা ফাইটর জেট অসিগী তৌবা ঙম্বশিং উৎখি। পাকিস্তানগী এক্সপার্টশিংনসু ফাইটর জেট অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা মোনিটর তৌখি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পাইলোটশিংনসু অথুবা মতমদা অনৌবা মখলগী ফাইটর জেট অসি হেন্দল তৌবা ঙম্লবা হোৎনরি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ৭ তগী হৌরগা নুমিৎ ২০ চথুখিবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিল অদুদা চাইনানা লৈবাক অসিদা জে-১০সী, জে-১১বি জেটশিং, কে জে-৫০০ আরলি ৱার্নিং এয়রক্রাফ্ট অমসুং ৱাই-৮ ইলেক্ট্রোনিক ৱারফেয়র এয়রক্রাফ্টশিং থারকখি। অদুগা পাকিস্তানগী ওইনা জে এফ-১৭ অমসুং মিরাজ-৩ ফাইটর জেটশিংনা দ্রিল অদুদা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি পাকিস্তানদা হান্নদগী হৌনা য়ু এসনা শাবা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং লৈরিবনি। অদুবু চহী মঙাগী মমাংদা ইন্দিয়ানা লৈবাক অদুগী ওইনা এয়র ফোর্সকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক ফ্রান্সতগী রাফেল জেট ৩৬ লৈনবা এগ্রিমেন্ট অমা তৌনখ্রবা মতুং পাকিস্তাননা হান্না শিজিন্নরম্বা ফাইটর জেটশিং অদুদগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা এয়রক্রাফ্টশিং শিজিন্ননবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

# অহাংবা মফমশিংদা টেম্পররি হোস্পিটাল শাবা হৌখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) :
বৃটেনদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা পেসেন্টশিং পুখৎলকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপদগী তঙায়ফদনা পেসেন্টশিং থম্নবগী লৈবাক অদুগী অহাংবা মফমশিংদা টেম্পররি হোস্পিটালশিং শাবগী থবক চথুবা হৌখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ওমিক্রোন পেসেন্ট মশিংসু হান্নদগী খঙহেন হেনগৎলকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী মফম অয়াম্বদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিদসু ওমিক্রোনগী কেস মশিং থুংনা য়াঙনা হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা পেসেন্টশিং এদমিট তৌবগী চাংসু হান্নদগী খঙহেন হেনগৎলকখিবনি। লৈবাক অসিদা হৌজিক ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টকী কেসশিং য়াওনা পুঙ ২৪ গী মনুংদা কোভিদকী অনৌবা কেস লাক্ষ অমগী মথক্তা থেংনরি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী ওইনসু লৈবাক অসিদা পুন্না কোভিদকী অনৌবা কেস ১,৮৩,০০০ হেন্না থেংনখি।

চয়োল অসিদগী হৌরগা লন্দন, ব্রিষ্টোল অমসুং লীদ্সতা মীওই ১০০ হেন্না লৈবা য়াবা হোস্পিটালশিং শাবা হৌখ্রে। টেম্পররি ওইনা শাবা হৌরিবা হোস্পিটালশিং অসি মতমগী মতুংইন্না মতম শাংনা মথৌ তৌবা য়াহন্নবা মওংদা শাবনি হায়রি। অমরোমদা লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না ভেক্সিন দোজশিং মপুঙ ফানা কাপথোক্লবা মরী লৈনবশিংনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# দেল্টা ভেরিয়েন্টকী মহুত্তা ওমিক্রোননা দোমিনেট তৌরক্লগনি

সিঙ্গাপোর, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) :
মালেমগী লৈবাক কয়াদা অকনবা চৈথেং পীদুনা মীশি মীনা কয়া থোকহনখিবা কোভিদ-১৯ গী ভেরিয়েন্ট দেল্টাগী মহুৎ সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা চয়োল খরগী মনুংদা দোমিনেট তৌরবা য়ানা লৈ হায়না সিঙ্গাপোরগী হেল্থ এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসিদগী য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা অকনবা ৱার্নিং তৌরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এক্সপার্টশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিন্টে ওমিক্রোননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক ১১০ হেন্না চৈথেং পীবা হৌখ্রে। হান্না লৈরম্বা দেল্টা ভেরিয়েন্টনা মীশি মীনা থোকহনবগী চাং হেল্লবসু শন্দোকপগী চাংদি ওমিক্রোননা য়াম্না হেল্লি। মসিনা মরম ওইরগা চয়োল খরগী মনুংদা দেল্টাগী মহুৎ শিল্লবা য়ানা লৈ। তোঙান তোঙানবা লৈবাক খরদা ওমিক্রোননা মরম ওইরগা মী শিহনবা হৌখ্রে। অদুবু হান্নগা য়েংনরুবদা মী শিহনবগী চাংদি য়াম্না নেল্লি। অমরোমদা লায়না লায়চৎ অসিগী মপাঙ্গলগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রিবনা মরম ওইরগা মসিদগী ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী ফবা পাম্বেদি ভেক্সিন কাপথোকপনি হায়রি।

# টাইৱানগী মতাংদা চাইনানা য়ু এসতা অকনবা ৱার্নিং পীখ্রে




বৈজিং, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) :
টাইৱান অমসুং চাইনাগা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা য়ু এসনা খুৎ থিংজিন্দুনা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টরসু ওইরিবা ষ্টেট সেক্রেটরি ৱাং য়িনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এসনা মখোয়গী ফিরেপ হন্দোক্ত্রবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীনবা চাইনানা শেম শাদুনা লৈ হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, টাইৱান ফোর্সশিংদা য়ু এসনা থৌনা হাপ্পিবা অসিনা মরম ওইরগা টাইৱাননা মতুং তারকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগনি হায়বসি কাউদবা ফৈ। খুদোংথিবা নংগদৌরিবা অসি টাইৱানখক্তা নত্তে। মখোয়দা ইনোৎ পীরিবা য়ু এসসু য়াওরি। টাইৱান চাইনাগী ঙমখৈ শরুক্লি হায়বা ৱাফম অসিদা য়েৎননিঙাই ওইদে। মরম অদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা হিরম অসিদগী লাপথোক্লা লৈবনা খ্বাইদগী হেন্না অফবা ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা মশানা মরোদোম লৈঙাকচরিবা ঈথৎ লৈবাক টাইৱান্নদি মখোয় মনিং তম্বা লৈবাক্লি হায়না ক্লেইম তৌখিবগা লোয়ননা চাইনানা লৈবাক অসিবু লৌশিন্নবা হোৎনরক্লবদি মদুবু চপ চানা থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি। লৈবাক অসিগী ফোর্সশিংসু হৌজিক হৌজিক য়ু এসকী লান্মীশিংনা অখন্নবা মখলগী ট্রেনিং কয়া পীবগী থবক চথুরি হায়রি।

# য়াম্না থুনা শন্দোক্কনবা ওমিক্রোনদগী ঙাকথোক্লবা এন-৯৫ মাস্ক শিজিন্নগদবনি

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী):
মালেমগী লৈবাক কয়াদা থুনা য়াঙনা শন্দোরক্লিবা সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোনদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না এন-৯৫ মাস্ক শিজিন্নগদবনি হায়না য়ু এসকী পব্লিক হেল্থ কম্মিস্নর মানিসা জুথানিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না শিজিন্ননবা এন-৯৫ মাস্কশিং মরাং কায়না ফংহল্লি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা জুথানিনা ফোঙদোকখিবদা, ফার্মাসিশিংদা য়োল্লিবা মাস্ক খুদিংমক্তা লায়না লায়চৎ অসি ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। অদুবু অতোপ্পা মাস্কশিংদগী এন-৯৫ মাস্কনা হেন্না ফবগা লোয়ননা লায়চৎ অসি মপুঙ ফানা ঙাকথোকপা ঙমই। লৈবাক অসিগী ওইনা ইহান হান্না পেন্দমিক ওইরকখিবা মতম অদুদা এন-৯৫ মাস্কশিং হেল্থ ৱার্করশিংদা মরাং কায়না ফংহনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ল হনখি। অদুবু হৌজিক্তি লায়না লায়চৎ অসিনা পীরকপা চৈথেংশিং মপুঙ ফানা মায়োক য়াবদা মতেং ওইহন্নবগীদমক এন-৯৫ মাস্কশিং মরাং কায়না লৈরে।

অতোপ্পা মাস্কশিং শাবদা শিজিন্নরিবা মওং মতৌগা এন-৯৫ মাস্ক শাবগা খরা খেন্নে। তোঙান তোঙানবা লয়রশিংনা পুনশিল্লগা মাস্ক মখল অসি শাবনি। মাস্ক অসি উপ্পনা লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়রবসু মসি শিজিন্নরিবা মীওইশিং অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। মাস্ক উপ্পা মতমদা নাতোন খুমদনা উপ্পবদি মদুগী কান্নবা লৈতে। মরম অদুনা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনগদবনি হায়রি।

# কায়াহ ষ্টেটতা হৌজিকসু ম্যান্মার মিলিটরিনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথুরি

য়াঙোন, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী):
চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওং কয়া লেপ্তুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথুরি। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা লৈবাক অসিগী মনুং চনবা কায়াহ ষ্টেটতা ম্যান্মার মিলিটরিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৩০ রোম হাৎলগা মৈ থাদোক্লম্বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং হৌজিকসু মফম অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া ফাদুনা ওৎ-নৈবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথুরি হায়না ইন্দিপেন্দেন্ট মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না কায়াহ ষ্টেটতা লৈরম্বা মীওই কয়া মফম অদুদা লৈবা কিনবদগী মনাক নকপদা লৈবা উমংশিংদা চেনশিন্দুনা লোৎলগা লৈনরি। রেবেল গ্রুপশিংগী মথক্তা চথবা এক্সনশিংগী মীংদা মরাল লৈজদবা মীওইশিং ফাদুনা হাৎপা অমদি ফুবগী থবক চথুরি। মফম অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল কম্ম্যুনিটিশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পাখৎপা মথৌ তারি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মখা তানা লৈরবদি মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিরবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

লৈবাক অসিদা মিলিটরি জুন্তা লাকখ্রবা মতুং মিলিটরিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ামদ্রবা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১৩৮২ হাৎখ্রে অদুগা প্রো দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টর ১১,২০০ হেন্না ফাজিনখ্রে। মরক অসিদা রেবেল গ্রুপশিংনা মফম কয়াদা মিলিটরিগী মথক্তা এটেকশিং লেপ্তুনা চথুরি।

# চান-থক্লবা পোৎলমশিং হুরানখ্রবা মতুং কর্ফিয়ু থমজিনখ্রে

খারটুম, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) :
সুদানগী নোর্থ দারফুর ষ্টেটতা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ৱর্ল্ড ফুদ প্রোগ্রামগী মখাদা মীয়ামদা মতেং পীনবা থমখিবা চান-থক্ল বা পোৎলমশিং শকখঙদবশিংনা হুরানখ্রবা মতুং মফম অদুদা নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ু থমজিনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না, হান্না পীছকিপ্পিং মিসনশিংনা শিজিন্নরম্বা মফম অমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি পৈশিন্দুনা থমখিবনি। মফম অসিদা সুদানগী মীয়ামদা মতেং পাংনবা থমখিবা চানবা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপগী থবক হৌদ্রিঙৈদা হুরানখিবনি। পুন্না টন ১,৭০০ রোমগী ওইগদবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মফম অসিদগী হুরানখিবনি।




মীওই ৭,৩০,০০০ রোম্না থা অমরোম চানগদবা পোৎলমশিং হুরানখিবগী থৌদোক অসি য়ু এননা তরাইনা লৌদে। সুদানদা লৈরিবা মীওই ৩/৩ খুদিংগী অমদি অতোপ্পগী মতেং মথৌ তারি। থৌদোক অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা অতোপ্পশিংগী মতেং মথৌ তারিবা মীওইশিংনি হায়রি।

য়ু এন হ্যুমেনিটরিয়নগী কো ওর্দিনেটর খার্দিয়াটা লো নাইদিয়ানা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, সুদান গভর্নমেন্টনা হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎকদবনি। অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং থল্লিবা মফমশিংগী অকোয়বদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌদুনা য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেলহনগদবনি।

দারফারগী গভর্নর মিনি মিনাৱিনসু থৌদোক অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা অমদি পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লায়রবা মীয়ামগী পুন্সিগী ৱাহং অমা ওইহল্লক্লিবা থবক অসিবু চথুখিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্লবা হোৎনদুনা অথুবা মতমদা মরালগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীনবা হোৎনগনি। থৌওং অসি ঙাকপীবা ঙম্লোইদবা অমনি। অমরোমদা পোৎ চৈ থম্ফম মনাক নক্লা খুন্দারিবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী খোঞ্জেলশিং মীয়াম্না তাখি হায়রি।

# ইজরেলি টেঙ্কনা পেলিষ্টিনিয়ন অহুম অশোক অপন নংহনখ্রে

জেরুসালম, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) :
হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইজরেলগী ঙমখৈগা থংননা লৈরিবা গজাদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা ইজরেলি অমা শোকহনখিবগী থৌদোক অদুগা ইকান কান্নদনা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেঙ্ক তোংদুনা লাক্লগা মফম খঙদনা কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা পেলিষ্টিনিয়ন অহুম অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

গজাগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কা হেনবা থৌওংদা শোকখ্রবা মীওইশিং অদু লৌমী ঙাক্তনি। মখোয় খুদক্কী ওইবা ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুং মখা তানা ট্রিটমেন্ট চথুনবগীদমক নোর্দন গজাদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা রিফর তৌখ্রে। মখোয়গী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে।

ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ক অমদি গজাগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা মতম কয়াগী মমাংদগী ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথদুনা লাক্লি। মখোয়গী কা হেনবা থৌওংশিংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা পেলিষ্টিনিয়ন কয়া শিহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, হমাস গ্রুপনা এটেক চথদুনা ইজরেলি অমা শোকহনখ্রবা মতুং রেবেল গ্রুপ অসিনা মথৌ তৌরিবা মফমশিং খঙদোক্তুনা এটেক চথখিবনি হায়রি।

# মেক্সিকো গন এটেকতা অঙাং ২ য়াওনা মীওই ৮ শিখ্রে

সিলাউ, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) :
মেক্সিকোদা লৈবা য়ানদবা গেং খুৎপু অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লরকপদগী চহী নৌরিবা অঙাং অনী য়াওনা মীওই ৮ শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, ঙরাং নুমিদাংৱাইরম অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বা মীওই অনী মোটোরসাইকল অমা তোংদুনা লাক্লগা থ্বানাজোটা ষ্টেটকী মনুং চন্না লৈবা সিলাউগী য়ুমশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লমখি। খুদক অদুদা য়ুম অমদগী অতোপ্পা মীওই অমনা মোটোরসাইকল তোংদুনা লাকখিবা মীওইশিং অদু তম্না লাইভ রাউন্দ কয়া কাপথোরকখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই ৮ গী মনুংদা শুপ্ন তগী চহী ৯ খকতা ঙাইরিবা নুপামচা অমদি চহী ১৬ শুরবী নুপীমচা অমা য়াওরি। পনবা য়াবদি সিলাউদা হৌখিবা মতমদগী হৌরগা য়ানদবা দ্রগ কার্টেলশিংগী মরক্তা য়াম্না তোয়না খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মমাং থাগী ময়ায় চল্লকপদসু মফম অসিদা গেং খুৎপুশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকপদগী মীওই ১১ শিহনখি। গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎলবসু দ্রগ কার্টেলশিং অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি।

**REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES**
(An autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
IMPHAL : MANIPUR

**ADVERTISEMENT**

Imphal, the 29th Dec., 2021

**No. B/3593/2021-RIMS :** Applications are invited from the intending candidates for selection of suitable persons for the posts of Hindi Consultant and Hindi Typist, RIMS, Imphal so as to reach the office of the undersigned on or before 4th Jan., 2022.

| Sl.No. | Name of post | No. of post |
|---|---|---|
| 1 | Hindi Typist | 2 no. |
| 2 | Hindi Consultant | 1 no. |

For full version of the advertisement, please visit the Institute website: **www.rims.edu.in**
This issues with the approval of the competent authority.

Sd/- **K. Doungel,** Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-B/7394/31

ALL MANIPUR RECOGNISED PRIVATE SCHOOLS' WELFARE ASSOCIATION, IMPHAL-MANIPUR

PROGRAMME
FOR
Common Question (Pre-Board) Exam, for Class X - 2022
Time : (i) 3 hours for 80 marks
(ii) 2 hours for 48 marks

| DATE & DAY | Morning From 11 a.m. to 2 p.m. |
|---|---|
| 19-01-2022 (Wednesday) | English |
| 21-01-2022 (Friday) | Manipuri (MM) / Additional English *(e)* |
| 24-01-2022 (Monday) | Social Science |
| 27-01-2022 (Thursday) | Mathematics |
| 29-01-2022 (Saturday) | Optional Subjects Home Science/Higher Mathematics/ Computer Science / Thang-Ta/ Fine Arts/ Eshei Nongmai |
| 31-01-2022 (Monday) | Science |

N.B. : The Principal of the School shall submit the total amount of the Examination Fee @ Rs. 200/- per student to the Association on or before 10th Jan. 2022.

Sd/-
*Controller of Examinations*

HL-P/1124/31

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG**

**Ref. Mut. Case No. 379/SDC/M** **Dt. 30/12/2021**

1. Huyam Premchand Singh S/o Late H. Tonjao Singh of Tronglaobi Makha Leikai
2. Huyam Shyamchand Singh S/o - do - of - do -
3. Rojen Huyam S/o (L) H. Tolen Singh of Uripok Sinam Leikai
4. Robin Huyam S/o (L) H. Tolen Singh of - do -

-Vs-

1. Late Huyam Tonjao Singh S/o Huyam Ratan Singh of Tronglaobi
2. Late Huyam Tolen Singh S/o - do - of - do -

**NOTICE**

Moirang the 30th Dec., 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৯৩২ অনৌবা সী: এস: দাগকী নং ২০৩৬ অমসুং ১২২৮ অপূনবা এরিয়া ১.৭৯ একর চাওবা ইংখোল অসিদগী কো-দরখাষ্টকারি নং ১ অমসুং নং ২গী শরুক দাগকী নং ২০৩৬ দগী এরিয়া ০.৭৭ একরগী লম অদুগা কো দরখাষ্টকারি ৩ অমসুং ৪গী শরুক্কা দাগকী নং ২০৩৬ অমসুং দাগ ১২২৬ দগী এরিয়া ০.৩২ একরগী লম। হায়রিবা লমশিং অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অমসুং ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মশাগী ইমুং মনুং মচাশিংনা লম অসিগী মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা পালম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/1126/31

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NINGTHOUKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 317/SDC/NTK/2021**

1. Haobijam Joy Singh S/o Late H. Ibomcha Singh
2. Haobijam Sanatomba Singh S/o Late H. Ibomcha Singh
3. Haobijam (O) Pramo Devi W/o Late H. Ibomcha Singh
4. Haobijam Priyangka Devi D/o Late H. Ibomcha Singh of Phubala Awang Leikai - Petitioners

-Vs-

Late Haobijam Ibomcha Singh S/o Late H. Modhu Singh of Phubala - Opponent

**NOTICE**

Ningthoukhong the 30th Dec., 2021

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি। মদুদি 46-Phubala Village গী Patta No. 10 (O) , 380 (N) C.S. Dag No. 1236 Area 1.57 acres of 3.04 acres গী ফৌরেল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মচাশিং অমদি নুপী লোয়নবী অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে, মরম অসিনা ফৌরেল লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

HL-P/1127/31